৫শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

# আর টি সীনা টি সী এম দি সীবু, কে সী সীনা ৱাই য়ু সী সীবু, আর সী এনা এস দি সীবু অমদি পি টি সী সীনা এস এস য়ুবু মায়থীবা পীখ্রে





ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা টিম ২৪না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্নুনা তোঙান-তোঙানবা মফম মরি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম, মোইজিং কাংজেবুং, লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দর অমসুং ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা চথরিবা '৫শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা আর সী টি মালোমনা টি সী এম দি সী থোংজুবু, কে সী সীনা ৱাই য়ু সী সী ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকাইবু, পি টি সী সী পাৎশোইনা এস এস য়ু শিংজমৈবু অমদি আর সী এ লিলোংনা এস দি সীবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

**লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দ, লুৱাংশঙবমদা** ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ'গী অনীশুবা মেচ অমদা রুল ক্রিকেট টিম (আর টি সী) মালোম অমদি থোংজু চিংগোংলৈ মখোঙ দিভলপমেন্ট ক্লব (টি সী এম দি সী) থোংজু লম্বা তৌনখি।

মেচ অসিগী টোস আর সী টি মালোমনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা আর সী টিনা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩৬কা বোল ৪দা টিম অদুগী বেটচমেন পুম্নমক আউট ওইরগা রন ১৯২ লৌবা ঙমখি। আর টি সীগী স্কোরশিং অদু সরোজ কুমারনা রন ৫৯, সুধিরনা রন ৫৩, সুরেসনা রন ২১ অমদি সোমোকান্তনা রন ১৬ লৌখিবা টিম অদুনা টিম অদুগী স্কোরদা চাওনা মাতেং পাঙখি। ইন্নিংস অদুদা টি সী এম দি সী থোংজনা বোল্লিং তৌখিবা সিতেন্দ্রনা ৱিকেট ৪ লৌখি। অদুগা ঙাম্থোই অমদি কলয়াননা ৱিকেট ২/২ লৌরগা তুলজিৎ অমসুং সুরজনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা ইন্নিং শান্নরকপদা টি সী এম দি সীনা বোট্টিং তৌখি। আর সী টিনা থল্লম্বা ১৯৩গী টার্গেট অদুদা টি সী এম দি সীনা ওভর ৩৯গা বোল ২দা ৱিকেট পুম্নমক তুরগা রন ১২৫ খক লৌবা ঙমখিবদগী মেচ অদু আর সী টিনা টি সী এম দি সীবু রন ৬৭তা মায়থীবা পীবা ঙমখি। টি সী এম দি সীগী স্কোরশিং অদু প্রিয়োনা রন ৪০না লৌদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ওইখি। অদুগা সুরজ, ঙাম্থোই অমদি সৈতেন্দ্রনা মথং শীৎনা রন ১২, ১০ অমসুং ১১ লৌখিবা শীংথাবা য়াই।

ইন্নিংস অদুগী বোল্লিংদা আর সী টিগী মিলননা ৱিকেট ৪, জোতিসনা ৱিকেট ৩, সাফৱাননা ৱিকেট ২ অমসুং সারোজনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

**মোইজিং প্লে গ্রাউন্দ, থৌবালদা** শান্নখিবা গ্রুপ 'বি'গী মেচ অমদা য়ং য়ুনাইটেদ ক্রিকেট ক্লব (ৱাই য়ু সী সী) ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল লৈকায় অমদি কোংবা ক্রিকেট ক্লব (কে সী সী) কোংবা লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী টোস কে সী সীনা ঙমদুনা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৪০ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৭৭ লৌদুনা রন ২৭৮গী টার্গেট থমখি। কে সী সীনা বেট্টিং তৌখিবা অদুদা মরানোজিৎনা রন ৯৩ লৌদুনা মেচ অসিগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নেরায় টোনিনা রন ৫৮, রোবার্টসননা রন ৪০ অমদি বসন্তা রন ১৭ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী ইন্নিংসতা চাওনা মতেং পাঙখি।

অহানবা ইন্নিংস অদুদা ৱাই য়ু সী সীনা বোল্লিং তৌখিবদা সঞ্জিৎনা ওভর ৭ লংবদা রন ৩২, দেবরাজনা ওভর ৫ লংবদা রন ৪২, অমজিৎনা ওভর ৬ লংখিবদা রন ৫২, কদমজিৎনা ওভর ৬ লংবদা রন ৪৪ অমদি দেবাকনা ওভর ৮ লংবদা রন ৫৩ পীখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা ৱাই য়ু সী সীনা বোট্টিং তৌবদা ওভর ৪০দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৮৪ খক লৌবা ঙমখিবদগী মেচ অদু মখোয়বু কে সী সীনা রন ৯৩দা মায়থীবা নংখি। ৱাই য়ু সী সীগী স্কোরশিং অদু দল্লীয়ু লেনিননা রন ৪৭, থোইবানা রন ২৪, সঞ্জিৎনা রন ২১ অমদি কদমজিৎনা রন ২০ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা কে সী সীনা বোল্লিং তৌখিবদা দেবাননা ওভর ৬তা রন ৩৬ পীখি, রোবার্তসননা ওভর ৭ লংখিবদা রন ৩৮, বসন্তনা ওভর ৮দা রন ৩০, বোবানা ওভর ৮লংবদা রন ৩৭, সঞ্জিৎনা ওভর ৮ লংবদা রন ২৫ অমদি সুসিলনা ওভর ৩ লংখিবা রন ১২ খক পীবা ঙমখি।

**লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দ লংথবালদা** ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সী'গী অনীশুবা মেচ অমদা সাউথর্ন স্পোটিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) শিংজমৈ অমসুং পাৎশোই তুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লব (পি টি সী সী) পাৎশোইগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী টোস পি টি সী সীনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা এস এস য়ু শীংজমৈনা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২৪গা বোল ৩দা টিম অদুগী বেটচমেন পুম্নমক আউট ওইরগা রন ৬৬ খক লৌখি। এস এস য়ু শীংজমৈনা অহানবা ইন্নিংস অদুদা বেট্টিং তৌখিবদা ফজবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মায়কৈদগী দৌপ্লাসনা রন ১৭ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। অদুগা রুপাচন্দ্রনা রন ১৩, সাইখোম্বনা রন ১০, দিপানকরনা রন ১২ অমদি সোমোরজিৎনা রন ৬ লৌখিবা পনবা য়াই।

অনীশুবা ইন্নিংসতা এস এস য়ু শীংজমৈনা থল্লম্বা রন ৬৭গী টার্গেটতা পি টি সী সী পাৎশোইনা ওভর ১৫গা বোল ১দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৬৭ য়ৌবা ঙমখিবদগী মেচ অদু মখোয়না এস এস য়ুবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখি। পি টি সী সীগী মায়কৈদগী অন্দি রোসননা রন ৩০, হেমাচন্দ্রনা রন ৮, দোমিনিকনা রন ৬, কৈখুয়াম্বানা রন ৩ অমদি বিকাসনা রন ২ লৌখি। ইন্নিং অসিদা এস এস য়ুনা বোল্লিং তৌবদা গুরুনা ৱিকেট ২ অমসুং রোহিতনা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি।

**মোদেল হায়র সেকেন্দর/ওরিয়েন্টেল কোলেজতা** ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'দি'গী মেচ অমদা রাইজিং ক্রিকেট এসোসিএসন (আর সী এ) লিলোংনা সোসিএল দিভলপমেন্ট ক্লব (এস দি সী) লাইফম খুনৌবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

মেচ অসিগী টোস এস দি সী লাইফম খুনৌনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা ওভর ৪০ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২২৮ লৌখি। এস দি সীগী স্কোরশিং অদু সুবাসচন্দ্রনা রন ৩৭, লিমানা রন ৫৫, অকাসনা রন ৩৪, হেনরিনা রন ১৭, কাজলকুমারনা রন ১৫ দেবশ্বরনা রন ১৪ অমদি জোন্সননা রন ৬ লৌখিবা শীংথাবা য়াই।

ইন্নিংস অদুদা আর সী এ লিলোংনা বোল্লিং তৌবদা সাবা খাননা ৱিকেট ১, অজি মিরজা, রজাক খান অমদি এম দি অস্লাম খাননা ৱিকেট ২/২ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা আর সী এ লিলোংনা এস দি সী লাইফম খুনৌনা থল্লম্বা রন ২২৯গী টার্গেট অদুদা ওভর ৩৮গা বোল ২দা টিম অদুগী বেটচমেন ৪ তুরগা টার্গেট য়ৌখিবদগী মখোয়না এস দি সীবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। আর সী এ লিলোংগী মায়কৈদগী এম দি সারোজনা রন ৭৪, বি সাবা খাননা রন ৪৯, এম দি ইমরান খাননা রন ২৭, রাজাক খাননা রন ১৪, এম দি অলফাসনা রন ৩৮ অমদি এম দি অস্লাম খাননা রন ১ লৌখিবা শীংথাবা য়াই।

ইন্নিংস অদুদা এস দি সী লাইফম খুনৌনা বোল্লিং তৌখিবদা এল মোনিস অমদি কাজলকুমারনা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি।

**Today Man of the Match**

| Players | Team | Run | Wicket |
|---|---|---|---|
| Sorojkumar | RCT | 59 | 1 |
| Mranojit | KCC | 93 | - |
| Md. Sarok Khan | RCA | 74 | - |
| Briyan | PTCC | | 4 |

## ৫শুবা এম এন সি এ প্লেট টুর্নামেন্ট কোবিদ-১৯না মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়েথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌরকখিবা কোবিদ-১৯ (কোরোনাভাইরস) লায়না লায়চৎনা মালেমগী লৈবাক ১৭৭ শন্দোকখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবদা মীওই ৯৮১৮ শীহনখ্রবা অসিনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মতুং ইন্না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা টিম ২৪না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্নুনা তোঙান-তোঙানবা মফম মরি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম, মোইজিং কাংজেবুং, লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দর অমসুং ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা চথরিবা '৫শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০'গী মখ তারকপা মেচশিং মতম কক্তনা য়েথোক্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী প্রেসতা চেরোল অমা থাদোরক্লি।

অমরোমদা কমখ্যা সোসল য়ুথ ক্লব হিয়াংথাং মমাঙ লৈকায়না শীন্দুনা টিম ৩২না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল লেথ এস তোম্বো মেমোরিএল দি এন্দ নাইট ৪ মেন এ-সাইদ ওপন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২০গী থা অসিগী ২২দা শান্নগনি হায়না তৌরম্বা ফাইনেল মেচ অদু কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎকী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মতম খরা য়েথোক্লে হায়না ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরীনা খুৎয়েক পীবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লোয়নন্না অৱাংখুনৌ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (এ ৱাই দি এ)না শীন্দুনা টিম ১৪না গ্রুপ ৩ থোক্লা খাইদোক্নুনা চথরকপা '১৫শুবা ষ্টেট লেভেল ৭- এসাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০' টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা মেচশিং চাইনাগী ৱুহান সিটিদা শন্দোরকপা কোরোনাভাইরসকী লায়না লায়চৎনা মরম ওইরগা মেচশিং মতম কক্তনা য়েথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

১৫শুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

## য়ং বোইজ পুখাওনা হৈঙাংবু, সঙাইথেল এফ সীনা খাবি এফ সীবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): অৱাংখুনৌ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (এ ৱাই দি এ)না শীন্দুনা টিম ১৪না গ্রুপ ৩ থোক্লা খাইদোক্নুনা চথরকপা '১৫শুবা ষ্টেট লেভেল ৭- এসাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০' ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদ য়ং বোইজ পুখাওনা হৈঙাংবু পাঞ্জল ৭-৩দা থোইখি। অদুগা সঙাইথেল এফ সীনা খাবি এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মথোইখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা হৈঙাং অমদি য়ং বোইজ পুখাও লম্বা তৌনখি। অহানবা ইন্নিংসতী হৌনা য়ং বোইজ পুখাওনা খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। হাফ অসিগী হৌরকপা ৪শুবা মিনটতা য়ং বোইজগী মায়কৈদগী একাউন্ট হাংদুনা পাঞ্জল অমা মাংজিল থাবা হৌখি। মথংগী মিনটতা য়ং বোইজগী মায়কৈদগী চথরকপা একেটক অমদা হৈঙাংগী গোল তম্না কাওশিনখিবদা হৈঙাংগী শান্নরোয় ইমর্সন জর্সি নম্বর ৬তা খেৎলগা পাঞ্জল ওইবা ঙমখি।

মখা তানা চথরকপা একেটতা য়ং বোইজ পুখাওগী মায়কৈদগী রোবার্থ জর্সি নম্বর ৪, রাজু জর্সি নম্বর ৮ অমদি দিজেননা জর্সি নম্বর ১৯না মথং শীৎনা ১৫, ১৭ অমদি ১৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অহুম চল্লগা মখোয়না হৈঙাংবু পাঞ্জল ৫-০দা মাংজিল থারগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা হৈঙাংগী মায়কৈদগী শোখরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা অহেনবা প্রেসরগা লোয়ননা অহেনবা এটেক কয়া চথখি। মদুদা হৈঙাংগী মায়কৈদগী টোম্বর জর্সি নম্বর ১, প্রেমজিৎ জর্সি নম্বর ৪ অমদি সুন্দর জর্সি নম্বর ৫না মথং শীৎনা ২৪, ৩১ অমদি ৩২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুগা য়ং বোইজগী মায়কৈদগী কেনাদ জর্সি নম্বর ৭ অমদি রাজুনা মথং শীৎনা ২৮ অমসুং ২৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ পুন্না পাঞ্জল ৭ চন্দুনা মখোয়না হৈঙাংবু মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা সঙাইথেল এফ সী অমসুং খাবি এফ সী লম্বা তৌনখি। মদুদা সঙাইথেল এফ সীনা খাবী এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। সঙাইথেল এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু টিম অদুগী ধনচন্দ্র জর্সি নম্বর ৭ অমদি বেবেতো জর্সি নম্বর ১১না শান্নবগী ৪ অমসুং ১৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা খাবি এফ সীগী মায়কৈদগী রাজেস জর্সি নম্বর ১২না শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা চনখি।

## সাউথ কোরিয়াগী ফেন্সর অহুম কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরে হায়না রিপোর্ট ফংখ্রে



সিওল, মার্চ ১৯ (এজেন্সী): য়ুরোপ্তা টুর্নামেন্ট শরুক য়ারুরগা সাউথ কোরিয়াদা হল্লকখিবা লৈবাক অদুগী ফেন্সর ৩ কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরে হায়না সিওলদা লৈবা পাউগী এজেন্সী য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সগী মমায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরক্লি।

য়ুরোপকী হঙ্গেরি সিটিদা পাঙথোকপা ইন্টর্নেসনল ইপি কম্পিটিসনদা শরুক য়ারুবা সাউথ কোরিয়াগী ফেন্সিং টিমগী মরক্তা ঙরাং নুপী ফেন্সর অমা পোজিটিব ওইখ্রবনি। অদুগা ঙসি অতোপ্পা টিম অদুগী মেম্বর অনীসু কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎনা ইনফেক্ট তৌখ্রে হায়রি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙদোকখিবদা সাউথ কোরিয়াগী ফেন্সিং টিম অদুগী মরক্তগী অনৌবা কেসশিংসু লাকপা য়ারি হায়না সাউথ কোরিয়াগী ফেন্সিং ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ওফিসল ওইবা ৱাফম অদুনা হায়রকপনি।

ফেদরেসন অসিনা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা অপুনবা এথলেট অমসুং কোচশিং সেল্ফ আইসোলেসনদা থম্লি। লোয়ননা মখোয় ২৬কী টেষ্ট রিজল্টসু ঙাইদুনা লৈরি। সাউথ কোরিয়াদা কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎনা হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ৮৫৬৬ ইনফেক্ট তৌহনখ্রে অদুগা মীওই ৯১ শীখ্রবনি।

## 'ঙসিমক ৱারেপ লৌবা মথৌ তাদে'



সিদনি, মার্চ ১৯ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ন ওলিম্পিক কম্মিতিগী ওফিসলনা ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না জুলাইগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক লৈবাক অদুনা দেলিগেসন অমা চৎনহন্নবা অকনবা মওংদা শেম শারি। ঙসি ঙসিমক ওলিম্পিক্স অদুদা শান্নবা য়াওবা নত্রগা য়াওদবগী ৱারেপ লৌবগী মথৌ তাদে হায়রি।

ঙসি ওষ্ট্রেলিয়ন ওলিম্পিক কম্মিতিগী হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কম্মিতি অসিগী চীফ একজিক্যুটিব মেথ কেরোল অমসুং চেপ দি মিসন ইয়ান চেষ্টরমেননা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিগী পাউতাক্কী মতুং ইন্না খোঙথাংশিং পায়খৎকনি। হাথু হাথু ৱারেপ লৌবগী মথৌ তাদে হায়খি।

চেপদিমিসন চেষ্টরমেননা মখা তাখিবদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা মতমদা কোরোনাভাইরসনা অয়েৎপা পীহল্লোইদবনি। ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতি অমদি ৱর্ল্দ হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পুন্না লৌখৎমিন্নরিবা খোঙথাংশিং অদুবু ইকায় খুম্নগনি হায়খি।

## ইন্দিয়া লৈঙাক্না কবাদি মশান্নবু ওলিম্পিক্সতা য়াওহন্নবা কন্না হোৎনগনি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখ্রে





ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী হৌদোকখিবা কবাদি মশান্নবু ওলিম্পিক্সতা য়াওহন্নবা কন্না হোৎনগনি হায়না ঙসি লোক সভাদা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে।

খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা এথলেট ২৮৮০ খনগৎতুনা তোঙান-তোঙানবা নেসনল/ইন্টর্নেসনল কম্পিটিসনশিংদা মায় পাক্লা শান্নবা ঙম্নবগীদমক অকনবা ট্রেনিং চথুদুনা লৈরি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লোক সভাগী ক্বেসন অৱারগী সপ্লিমেন্টরি পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস কিরেন রিজিজুনা হায়খিবদা কবাদি মশান্না অসি ইন্দিয়াদগী হৌদোকখিবা মশান্না অমনি। লৈঙাক্না মশান্না অসিবু ওলিম্পিক্সকী থাক্তা পুখৎনবা অকনবা খোঙথাং পায়খৎলি হায়খি।

লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস স্কিমগী মখাদা থৱায় য়াওবা অমদি হৈথোই শিংথোইরবা শান্নরোয়শিং অমদি টিমশিং মশক খঙদোক্নুনা মোর্দন স্পোর্টস সাইনগী মতেং পীবগা লোয়ননা অতোপ্পা দিসিপ্লিনশিংগী শান্নরোয়শিংসু পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়খি।

স্পোর্টস হায়বসি ষ্টেট সবজেক্ট অমা ওইবনা নহা ওইরিবা হৈথোই শীংথোইরবা শান্নরোয়শিংগী টেলেন্টশিং মশক খঙদোক্নুনা মখোঙ শোমগৎপগী থবক অসি ষ্টেট লৈঙাক্কী মখাদা লৈ হায়খি।

মরক অসিদা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী নেসনল ফেদরেসনশিংনা মখোয় মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিং অদুদা টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা নত্রগা সেলেক্সন ট্রায়ল পাঙথোকপগী থৌরম এপ্রিল ১৫ ফাওবা য়েথোকহনখি।

অনৌবা খোঙথাং অসিগী মনুং চন্না ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইরবা শান্নরোয়শিংনা চথরিবা ট্রেনিংশিং অতোপ্পা মীয়ামদগী আইসোলেট তৌদুনা অতোপ্পা মী চঙহন্দনা মখা তাবা ট্রেনিং চথরি হায়রি।

মালেমগী ওইনা কোবিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমদগী অনৌবা এদভাইজরি কয়া লাকখিবা মরম্না হয়েংদগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা ইন্দিয়ন গ্রান্দ প্রি ওফ এথলেটিক্সসু য়েথোকখ্রে হায়রি।

স্পোর্টস ওর্গনাইজেসন পুম্নমক অমদি মদুগী মখাদা লৈবা য়ুনিয়নশিংনসু টুর্নামেন্ট অমত্তা শীনবা য়ারোই। লোয়ননা সেলেক্সন ট্রায়লসু চহীসিগী এপ্রিল ১৫ ফাওবা পাঙথোকপা য়ারোই হায়না মিনিষ্ট্রি অসিগী মায়কৈদগী অইবা চেরোলশিং পীখি।

## অম্ফানা এন্যুএল ফি শেংদোক্লবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মখাদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসনশিংনা চহীগী ওইবা এন্যুএল রিন্যুএল ফি অমদি দুশিং লাক্লিবা মার্চ থাগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা শেংদোক্লবা অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরী এল জেতিমোই রোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৫



১) মহাক ২০শুবা সেঞ্চুরিগী অহানবা শরুক্কী ওইনদি খ্বাইদগী ফবা এথলেটনি হায়না খঙনখি। মহাক কনানো?
২) মালেমগী করম্বা মফমদা SENIOR CROSS COUNTRY RACE অসি অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবগে?
৩) ওলিম্পিক্কী চেরিওট লমজেলদা খৃষ্ট মমাং ৪৬৮তা মায় পাকখিবা নুপা অদু কনানো?
৪) খুমনগী চুম্বারোঙগা চায়নখিবা অকনবা মোইরাং মচা অদু কনানো?
৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।




HL-B/6098/4march to 7april

MANPOWER / JOB URGENT

As a part of its expansion, LOYALAM MICROFINANCE PROJECTS PVT. LTD., required the following manpower in the state of Manipur.

| Sl. No. | Post Name | Education Qualification & Experiences | Age Limit | No. of Post | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Account | B.Com | upto 35 yrs | 25 | Best in Industry |
| 2. | Client Relation Officer (CRO) | 10+2 | upto 30 yrs | 25 | -do- |

**Mode of Application :** Interested candidates may kindly submit latest biodata on or before 24th March '20 at the following address/venue.

**Mode of Selection :** 3 time selection - written, group discussion and personal interview.

**Venue :** SHEMROCK PRIME SCHOOL BUILDING, URIPOK ACHOM LEIKAI, MAIN ROAD, OPPOSITE SAKHI DEVI GIRL'S HIGH SCHOOL, IMPHAL WEST.

**Date of Interview :** 27/03/2020

**Time :** 11.00 am onwards.

HL-P/6612/18,19,20


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com